# য়ু এসনা রসিয়ন ইন্টেলিজেন্স ওফিসল ৬০ তান্থোকখ্রে, সিটলগী কোন্সুলেট থিংজিনখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ২৭ (এজেন্সি): কোল্ড ৱার মতমদা চথখিবা থৌওংগা মান্নবা মওংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়ন ডিপ্লোমেট ৬০ স্পাইনি হায়না মরাল শীরদুনা তান্থোকখ্রে।

মোস্কোনা য়ু কেদা হান্নগী রসিয়ন স্পাই অমদা নর্ব এজেন্ট শীজিন্নদুনা এটেক চথখি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা সিটলদা লৈবা রসিয়াগী কোন্সুলেট থিংজিন্নবসু খঙহনখ্রে। য়ু এসনা তান্থোকখ্রবা ডিপ্লোমেট অয়াম্বা রসিয়াগী য়ু এনদা লৈবা পর্মনেন্ট মিসনদা থবক তৌবনি।

হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি সরাহ সেন্দর্সনা হায়খি, প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা রসিয়ন ইন্টেলিজেন্স ওফিসর কয়ামরুম য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী তান্থোক্নবা য়াথং পীখিবগা লোয়নননা সিটলদা লৈবা রসিয়ন কোন্সুলেট থোঙ লোনশিন্নবা খঙহনখ্রে। রসিয়ন ডিপ্লোমেটশিং অদু মরৈবাক্কী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিশিংগা মরী লৈনবা মীওই ঙাক্তনি। মখোয় পুন্নমক ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রে হায়না সরাহ সেন্দর্সনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা হান্নগী স্পাই সর্গি স্ক্রিপালদা নর্ব এজেন্ট শীজিন্নদুনা এটেক চথখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা রসিয়ন ডিপ্লোমেটশিং তান্থোক্নবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি। য়ুনাইটেদ কিংদমনসু রসিয়ন ডিপ্লোমেট ২৩ তান্থোকপা লৈখ্রবনি।

রসিয়ানা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নরগা হান্নগী স্পাই অমদা চথখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা নাটোগী মেম্বর লৈবাক ওইরিবা বৃটেনগী মীচং চঙদুনা রসিয়াগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখি।

সরাহ সেন্দর্সনা হায়খি, ৱাশিংটননা মোস্কোগা অফবা মরী থম্নবা পাম্মী। অদুম ওইনমক রসিয়ন গভর্নমেন্টকী ৱাখল্লোন হোংদোক্ত্রিবমখৈদি লৈবাক অনী নকশিন্নবা য়াখিরোই। হৌজিক হৌজিক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা রসিয়ন ইন্টলিজেন্স ওফিসল ১০০ রোম লৈরি। ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা অহানবা খোঙথাং ওইনা রসিয়ন ডিপ্লোমেট ৬০ তান্থোকখ্রবা মতুংদা মোস্কোগী থৌওং হোংদোক্তবা তারবদি মখা তানা অকনবা থবক কয়ামরুম লৌখৎখিগনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা নিকি হেলিনা হায়খি, রসিয়ন ডিপ্লোমেট খরনা ৱাশিংটনগী মতাংদা অরোনবা পাউ পীথোক-পীশিন তৌরে হায়বগী চপ চাবা খুদম ফংবদগী ডিপ্লোমেট ৬০ তান্থোক্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। অমরোমদা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে মদুদি য়ু এস, কেনাদা অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাক ১৪ না লৌখৎলকপা থৌরাং শিংগী মায়োক্তা মতিক চাবা পাউখুম পীনবা হোৎনরগনি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমদি নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাই-জেসনগী লৈবাক খরনা রসিয়ন ডিপ্লোমেটশিং তান্থোকখিবগী মতাংদা মোস্কোনা মতিক চাবা পাউখুম পীনবা শেম-শারে। ইংলেন্দগী সেলিসবরি সিটিদা হান্নগী রসিয়ন এজেন্ট অমদা চথখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ঈ য়ু অমদি নাটোগী মেম্বর লৈবাক খরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী চপ চাবা পাউখুম পীরগনি। বৃটিশ ওথোরিটিশিংনা রসিয়াগী মথক্তা য়ূস্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শীরকখিবনি হায়রি

# স্পেসএক্স রোকেট থাগৎপদা মালেমগী আইওনোস্ফিয়র হোরে




টাইনান, মার্চ ২৭ (এজেন্সি): মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ২৪ দা থাগৎখিবা স্পেসএক্সকী ফেলকোন ৯ রোকেটনা মালেমগী আইও-নোস্ফিয়রদা চাওনা অহোবা অমা লৈহল্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পেসএক্সনা থাগৎখিবা রোকেট অদুনা সেটলাইট অমা পুখৎলগা ওর্বিটতা থমখি। রিপোর্ট অমনা হায়খি, অনৌবা রোকেট অদু থাগৎপদা আইওনোস্ফিয়রদা কিলোমিটর ৬০ রোম পাক-চাওনা অহোবা অমা লৈহল্লে।

আইওনোস্ফিয়র হায়বসি ফ্রী ইলেক্ট্রোন অমদি আইওনশিংনা শেম্বা এটমোস্ফিয়রগী মথক ইথং থংবা শরুকনি। রিছর্সরশিংনা হায়খি, রোকেটতগী কাপথোরকপা মৈখুনা কেমিকেল রিএক্সন থোকহনবদগী এটমোস্ফিয়রদা অকায়বা থোকহন্দুনা আইওনোস্ফিয়রদা অহোবা অমা লৈহনখিবনি। অমরোমদা মশাগী চহী ৬১ শুরবা মীওই অমনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা মশানা শাজবা রোকেটতা কেলিফোর্নিয়াগী অতিয়া তম্না পাইখৎপদা শোয়বদগী মোজেব ডেজর্টতা তাশিল্লকখ্রে। ডেলি মেলগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মাইক হজেস কৌবা মীওই অমনা শাবা রোকেট অদু পুংদা মাইল ৩৫০ য়াঙনা পাইখৎখ্রগা ঙাইহাক্কী মতুংদা মোজেব ডেজর্টতা তাশিল্লকখি।

# দেটা হুরানবগী মতাংদা সিনেট কম্মিটিনা ফেসবূক, গুগল, ত্বিটরগী সী ঈ ওশিং কৌখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ২৭ (এজেন্সি): ফেসবূক্কী দেটা অরানবা মওংদা শীজিন্নে হায়না মরাল শীরকখ্রবা মতুংদা সিনেট কম্মিটি অমনা মকোক থোংবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অহুম - ফেসবূক্কী মার্ক জকরবর্গ, গুগলগী সুন্দর পিচাই অমসুং ত্বিটরগী জেক দোরসি কৌখৎতুনা দেটা প্রাইভেসিগী মতাংদা হিয়রিং চত্থনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। এপ্রিল ১০ দা সিনেট জুদিসিয়রি কম্মিটিনা হিয়রিং চত্থনবা মতম লেপখি।

কম্মিটিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা চ্যেরমেন চক গ্রাসলিনা হায়খি মদুদি কঞ্জ্যুমর দেটা কমদৌনা ঙাক শেনবগে হায়বদুগী মরিক চুম্বা পাউদম পীনবা মার্ক জকরবর্গপু কম্মিটিনা কৌখিবনি। কঞ্জ্যুমর দেটা কদায় ফাওবা চেকশিন্না থম্বগে অমসুং করম্বা মওংদা শীজিন্নবগে হায়বদু চপ চানা খঙদোক্নবা হোৎনরগনি।

ফেসবূককুম্বা সোসল মীদিয়া কম্পেনিশিংনা য়ুজরশিংগী পর্সনেল ইনফোর্মেসন ঙাক-শেন্দুনা থম্নবগী মতাংদা নৌনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং শিংগী মতাংদসু কুপ্না খন্ন-নৈনগনি হায়রি। সোসল মীদিয়া ইন্দষ্ট্রিদা দেটা প্রাইভেসিগী মরাইবক লেপ্নবগী মতাংদা হিয়রিং চত্থনবগীদমক গুগলগী সী ঈ ও সুন্দর পিচাই অমদি ত্বিটরগী জেক দোরসিসু মশা লাক্নবা খঙহনখ্রে হায়রি। সিনেটর মার্ক ৱার্নরনা হায়খি, ফেসবূক, গুগল অমদি ত্বিটরনা মায় পাক্লকপদা হরাওবা পোকই। অদুবু সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মনা লন্নাই মীওই কয়াগী অরোনবা দেটাশিং অরানবা মওংদা শীজিন্নবগী থৌওংদি য়াবা ঙল্লোই। হীরম অসিগী মতাংদা অচুম-অরান খঙদোক্নবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। চৈরকসিদা, ওনলাইন ন্যুজ পব্লিকেসন 'ইন্টরসেপ্ট' কী রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ইম্মিগ্রেসন অমসুং কষ্টমস ইনফোর্স-মেন্টনা ফেসবূক্কী মতেংনা ইম্মিগ্রেন্টশিংগী খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি।

# রোহিঙ্গা রেফ্যুজীগী মতাংদা বাংলাদেশনা মপানগী মতেং ফংদ্রি

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২৭ (এজেন্সি): বাংলাদেশনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজী ১,০০,০০০ মী তাদবা ঈথৎ অমদা হোংদোকহনখিনবা থৌরাং লৌ-খৎলকপগা লোয়নননা হীরম অসিগী মতাংদা মপান লৈবাক্তগী মতেং ফংগনি হায়না থাজবা থমদ্রি।

ফোরেন এফেয়র্সকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট মহমদ সাহরিয়ার অলমনা হায়খি মদুদি বে ওফ বেঙ্গলগী মী তাদবা ঈথৎ অমদা বাংলাদেশনা দোলর মিলিয়ন ২৮০ পুথোক্তুনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজী-শিংগী লৈফম শেমগৎপা হোৎনরি।

ম্যান্মারগী মিলিটরিনা লৌখৎলকপা থৌরাং কিবদগী চেল্লকখিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজী অমত্তা মশাগী অপাম্বগী মায়োক্তা নমদুনা মরৈবাক্তা হলহনবা তৌরোই হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদগী হৌনা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা লৈরম্বা রোহিঙ্গা মুস্লিম ৭,০০,০০০ রোম ঙমখৈ লান্থোক্লগা বাংলাদেশকী কোক্স বজারদা চেনশিল্লকখিবনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা রিপাট্রিয়াসন ট্রিটি সাইন তৌনদবা মরম্না রোহিঙ্গা রেফ্যুজীশিং বাংলাদেশনা খুদক্তা খূৎশিন্নবা তৌরোই হায়রি।

বাংলাদেশতা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা অলমনা হায়খি, শেল কা হেন্না চঙগদবা মরম্না রোহিঙ্গা রেফ্যুজীশিংগী লৈফম শেমগৎপগী থবক করম্বা মতমদা লোইশিনগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

হীরম অসিগী মতাংদা মালেমগী মীয়াম্না কয়া য়াম্না মতেং পাংলক্কদগে হায়বদুসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মালেমদা খ্বাইদগী লায়রবা লৈবাক-শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বাংলাদেশতা হান্নদগী হৌনা রোহিঙ্গা ৩,০০,০০০ রোম লৈরকখিবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজীশিংগী মতেং পাংনবগীদমক খুদক্কী ওইনা দোলর মিলিয়ন ৯৫১ মথৌ তাগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, ম্যান্মারনা মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনবীখ্রবা রোহিঙ্গাগী খুঙ্গংশিংদা অনৌবা সিক্যুরিটিগী ইনষ্টোলেসন কয়া শেমগৎপা হোৎনরি হায়না এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলনা ফোঙদোকখ্রে। রখাইন ষ্টেটতগী বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রবা রোহিঙ্গা মুস্লিম ৭,০০,০০০ রোম অমুক লৌশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মহুৎতা রোহিঙ্গাগী খুঙ্গংশিংদা অনৌবা সিক্যুরিটিগী ইনষ্টোলেসন কয়া শেমগৎপা থেংনরে হায়না এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

থা ৬ কী মমাঙদা ম্যান্মারগী মিলিটরিনা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংগী মথক্তা চথখিবা থৌওং অদু মীওই ফুরুপ অমা তুম্না হাৎনবা থৌরাংনি হায়না মরাল শীরকখি। ৱাফম অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ম্যান্মারনা হায়খি মদুদি ওগষ্ট থা লোইশিল্লকপদা অরাকান রোহিঙ্গা সলভেসন আর্মিনা এটেক চথরকখিবগী লমন খুম্বা ওইনা রখাইন ষ্টেটতা পাক-শন্না থিব-হুম্বগী থবকশিং চথখিবনি। অতম্না মীওই ফুরুপ অমা তুম্না হাৎনবা থৌরাং লৌখৎখিবা লৈতে।

চৈরকসিদা, খং থংবা বাংলাদেশতা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজীশিং নোংজুথা য়ৌরকপা মতমদা চীং নিংখায়বনচিংবা খুদোং থীবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না মীপাইবা পোক্লি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রেফ্যুজী এজেন্সি য়ু এন এচ সী আরনা হায়খি মদুদি নোংজুথা মতমদা রোহিঙ্গা রেফ্যুজীশিং লেন্দস্লাইদ অমসুং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নবা য়াই।


## ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯟ/ওপরেসন তৌহনবিদ্রে

**GALL BLADDER গী নুঙ তুমদুনা মাঙহনবীখ্রে**

April dt. 2 & 3, 2018 দা হিদাক য়াওনা **FREE HEALTH CAMP** পাঙথোক্কনি হায়না Facebook তা থাগৎপীরক্লিবা Gall Bladder, kidney গী Stone তুমহনবা, নুংশঙ, ফিডৌ, থাগী খোঙকাপ, ফুরি-এলর্জি, অঙাং মশা শাগৎপা, য়াং চিংবা, সাইনস-তোনসিল, লাইমন, খোম থোক্তবা, ফম্বী শোনবা অসিনচিংবা অনাবশিংগী **NATURE CURE** গী লায়েংশঙ **PHC Centre, Manipur, near Singjamei Bazar Urban Co-operative Bank, Phone No. 9862739714** গী হিদাক থক্লুবদগী ঐগী Gall Bladder গী 2.1 cm চাওবা Stone তুমদুনা মাঙখ্রে। চহী ২ (অনী) হেল্লক্লে চিকপা নাবা হৌরক্ত্রে, ওপরেসনসু তৌহনবীদ্রে। মতম পুম্বদা ঈশ্বরনা মঙ্গল পীবীয়ু।

*থৌনিজরিবা ঃ* **AUNOL UKHRUL**

HL-P/3255/28


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

***Ref:- Mut. Case No. 339/SDC/NBL of 2018***

Lourembam Ibomcha Singh S/o (L) Ahanjao Singh of Haobam Marak Lourembam Leikai.

...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Lourembam Ahanjao Singh S/o (L) Tomba Singh of Lourembam.

...... *Pattadar*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Dt. 21/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১১-লৌরেম্বম পাট্টা নং ৫৫ (অরিবা) ১৬৫ (অনৌবা) দাগ নং ২৭১, ২৮৯ অমসুং ২৯৫ এরিয়া ১.২৮, ০.৭৪ অমসুং ০.৫৪ একরস ওফ ফৌরেল ক্লাস হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা লৌফমশিং অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

HL-P/876/28

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR**

***Ref:- Mut. Case No. 148/SDC/Bishnupur, 2018***

Shrimayum Ongbi Sanatombi Devi W/o Late Yaima Sharma of Bishnupur Awang.

*-Petitioner*

-Vrs-

Shrimayum Yaima Sharma S/o Late Ibotombi Sharma Co-Pattadar No. 3 of Bishnupur Awang.

*-O.P.*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Bishnupur, the 27th March 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Village No. 37-Bishnupur গী পাট্টা নং 145 (অরিবা) 837 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1436/1747 গী শরুক 0.535 acres of Ingkhol Class. Co-Pattadar No. 1. Shrimayum Biseshwor Sharma S/o (Late) Ibotombi Sharma of Bishnupur Awang, No. 2. Bramhacharimayum Badrinath Sharma S/o (Late) Bidasunder Sharma of do & No. 3 Shrimayum Yaima Sharma S/o (Late) Ibotombi Sharma of do গী মমীংদা পানবা the Co-Pattadar No. 3. Shrimayum Yaiam Sharma S/o (Late) Ibotombi Sharma of Bishnupur Awang পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর Shrimayum Ongbi Sanatombi Devi W/o (Late) Yaima Sharma গী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector Bishnupur**

HL-P/882/28


## ꯑꯣꯖꯥ ꯀꯕꯤꯔꯥꯖ ꯄꯨꯟꯁꯤ

**ওজা কবিরাজ পুন্সি শাংনা হিংবিখো**

বিষ্ণুপুরদা লৈবা পি. জেমন ঐগী খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা, পোম্বা, মচুম তাবা অমদি চাবা থকপা য়াদবদগী দোক্তর অমদি মাইবা কয়াগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদা ফবা ঙমদনা লৈরকখি। অদুবু নোংমা বেঙ্কতা থবক তৌবা নুপা অমনা হায়রকপদগী ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক** Contact No. ☎ **8014623756 / 9383214747** ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা চৎতুনা লায়েংলুবদগী নুমিৎ ১৫/২০ হিদাক চাবদা ঐগী অনাবা ফরে। ওজা অসি পৃথিবীদা নুংশঙগীদমক্তা অতাংবনি, ওজাবু পুন্সিদা কাউজরোই।

*থাগৎচরিবা :* **P. JEMSHON BISHNUPUR BAZAR**

HL-P/733/28


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

***Ref:- Mut. Case No. 121/SDC/IW/LC of 2018***

Sorenshangbam Winner Bungcha Singh S/o (L) Nilo Singh of Naorem Leikai.

...... *Petitioner*

-Vrs-

Late, Sorenshangbam Nilo Singh S/o (L) Mera Singh of Naorem Leikai.

...... *O.P.*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Lilong Chajing, the 26th March, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৪-নাওরেম লৈকাইগী অরিবা পাট্টা নং ২৯ অনৌবা পাট্টা নং ২০৮/৮৭১ দাগ নং ১৩ এরিয়া ০.৬২৫০০ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার সোরেনশংবম নিলো সিংহ পীং মৃ: মেরা সিংহ সাং নাওরেম লৈকাই অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌবীনিংবা মীওইশিংনা "নোটিশ" অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশা লাকপীদুনা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চত্থরগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **AK. Lalmohon Singh**
***Sub-Deputy Collector,***
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/875/28

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH), SEKMAI**

***Ref:- Mut. Case No. 209/SDC/IW(N) Sekmai of 2018***

***Dated 26/3/2018***

Angom Ningol Watham Ongbi Khendrani Devi W/o Late Sunil Singh of Thangmeiban Yumnam Leikai.

...... *Petitioner*

-Vrs-

Watham Sunil Singh S/o Lilla Singh of Thangmeiband Yumnam Leikai.

...... *Pattadar*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Sekmai, the 26/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahsil Village No. 40-Senjam Khunou Under Patta No. ... (Old) 388/670 (New) covered by C.S. Dag No. 126/292 গী area 0.62 acres চাওবা ইঙ্খোল/ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থাযরক্লে, অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চত্থজখ্রনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West (North) Sekmai**

HL-P/886/28

**ꯃꯥꯡꯈꯤ/ BANK PASSBOOK LOST**

I have lost my Bank Passbook of State Bank of India, Chingmeirong High Court Branch bearing Account No. 20167066304 on the way from Moirang Hanuba to Chingmeirong on 26-03-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Pukhrambam Maya Devi**
Sagolband Moirang Hanuba Leirak,
Imphal West ☎ **8794234425**

HL-P/877/28

**ꯃꯥꯡꯈꯤ/MARKSHEET LOST**

I have lost my Original Marksheet of HSLC Examination, bearing Roll No. 25357 of 2012 issued by BOSEM, on the way from Lilong Chajing to Singjamei Bazar on 26/03/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Karam Lambangamba**
Karam Awang Leikai, P.O Lilong
P.S. Singjamei, Imphal West

HL-P/3254/28


## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি



অনৌবা চহীগী দশা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্নবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়াননবা, চিঞ্জাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরক্নবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

*মীয়ামগীঃ- জ্যোতিষ মহাঋষি*
**Dr. Ph. Rajendra**
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

HL-P/574/17/2-22/4 (Alt)


**IN THE COURT OF THE CHIEF JUDICIAL MAGISTRATE, IMPHAL WEST**

**Cril. (P) Case No. 259 of 2016**

Ref:- FIR No. 29(3) 2009 Lamphel P.S.

u/S. 376 IPC

**The State of Manipur**

–Versus–

**Pukhrambam Ibomcha Singh, 50 years, S/o (L) P. Shamjai of Iroisemba Mamang Leikai**

... *Accused person.*

**PROCLAMATION**

**REQUIRING THE APPEARANCE OF A PERSON ACCUSED**

**(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)**

WHEREAS, complaint has been made before me that **Pukhrambam Ibomcha Singh, 50 years, S/o (L) P. Shamjai of Iroisemba Mamang Leikai** has committed/or is suspect to have committed the offence punishable under **Section 376 IPC** and it has been returned to a warrant of arrest there upon issued that the said accused cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said accused has absconded/or is concealing himself to avoid the service of the said warrant.

Proclamation is hereby made that the said accused person is required to appear before the CJM/IW to answer the said complaint on the **28th day of March, 2018, at 10.30 am.**

Dated, this 16th day of February, 2018.

**SEAL :** (of the court)

***Sd/-* Lamkhanpau Tonsing**
Chief Judicial Magistrate, Imphal West

HL-P/878/28

# অরানবা পাউ শন্দোকপশিং চহী ১০ জেলদা থম্লবা য়াই

*কুালা লম্পুর, মার্চ ২৭ (এজেন্সি) : অরানবা পাউ শন্দোকপগী থৌওং লোনা য়াহন্দবগা লোয়নননা চহী ১০ জেলদা থম্বগী চৈরাক পীনবা বিল অমা মলেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নাজিব রাজাক্কী গভর্নমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে।*

*জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা মতম খজিক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়নননা নাজিবনা অনৌবা বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখিবনি। এন্টি-ফেক ন্যুজ বিল ২০১৮ গী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা অরানবা পাউ অমসুং শেমজিন-শাজিনবা পাউ ফোঙলবদি রিংগিট ৫,০০,০০০ ফাইন থীহনবগা লোয়নননা চহী ১০ ফাওবা জেলদা থম্বগী চৈরাক পীবা য়াই।*

*মীয়ামদা ফ্রীদম ওফ স্পীচ অমদি এক্সপ্রেসনগী খুদোংচাবা ফংহনবগা লোয়নননা অরানবা পাউ শন্দোকপগী থৌওং থিংনবগী পান্দমদা অনৌবা বিল অসি পুখৎলকখিবনি হায়রি। মলেসিয়া নৎত্রগা মলেসিয়াগী সিটিজনদা শোক্কদবা লৈরবদি মপানগী মীওইনা অরানবা পাউ শন্দোরকপা মতমদসু চৈরাক পীবগী ৱাফম বিল অসিদা য়াওরি।*

*অমরোমদা, সিঙ্গাপোরনসু অরানবা পাউ শন্দোকপগী মায়োক্তা অনৌবা লো অমা চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা ফেসবূক অমদি ত্বিটরনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। সিঙ্গাপোরগী পার্লিয়ামেন্টতা মীওই ৭৯ না হীরম অসিগী মতাংদা মশাগী ওইবা মোত ফোঙদোকচনবগী খুদোংচাবা পীখি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা শেমজিন-শাজিনবা পাউশিং সোসল মীদিয়াদা শন্দোরকখ্রবা মতুংদা মলেসিয়া অমদি ইন্দো-নেসিয়ানচিংবা লৈবাক খরনা থৌওং অসি থিংনবা লো শেম্নবগী থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।*

**ꯃꯥꯡꯈꯤ/DOCUMENT LOST**

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 35661 issued by BOSEM, Certificate of Higher Secondary Examination bearing Roll No. 20244 issued by COHSEM & Certificate of Graduate Examination bearing Roll No. 120263 of D.M College of Science issued by M.U., on the way from Liberal College Gate to Shangakpham (Laipham Khunou) on 26/03/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Nameirakpam Chunibala Devi**
Luwangsangbam Makha Leikai
Imphal East ☎ **8415019305**

HL-P/874/28

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR**

***Ref:- Mut. Case No. 149/SDC/Bishnupur, 2018***

1. Gangmei Lanbidim S/o (L) Kaningthui Kabui Chaiba Village.
2. Golmei Gairillu W/o (L) PG. Achung Francis Chaiba Village.

*-Petitioners*

-Vrs-

(L) Kaningthui Kabui S/o (L) Turei Naga Chaiba Village.

*-O.P.*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Bishnupur, the 27th March 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Kaningthui Kabui S/o (L) Turei Naga of Chaiba Village দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 38/166 (অরিবা)। 42 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 3037 গী 3.35 চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিংগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector Bishnupur**

HL-P/879/28